# থম্মোয় অনী শিন্ননবা পান্বে অমা থিরকপা

হায়-স্কুল তন্লিঙৈ মতম অদুদদি লেং-মান্নবী (চহী লোঙ্গা) গী নুপীশিংগা লাইরিক তম্মীন্নদুনা, নক্না লোয়নবগী তাঞ্জাদুমদি ফংলকখিদে, তেরা বোইজ জুনিয়র হায় স্কুল অমদি রাম লাল পোল হায় স্কুল অনীসিনা নুপামচা ঙাক্তা তম্বা স্কুল ওইরমবনা। লৈকায়গী ঈথক-থোংবা ইয়াম্বশিংনা শীন-লাঙবা 'সম্মর-কোচিং-ক্লাস'কী থা অমগী মতমদুদা পূন্না লাইরিক তম্মীন্নরকখিবী লৈকায়গী লেং-মান্নবী খরগী পুন্সি মমি ঐগী থম্মোয়সিদা তারিবসিনা ইথিল পীদুনা ৱারী খরগী প্লোট শাগৎখি। মদুগী কাউঙমদ্রবা এক্সপরিয়েন্স - পূমতোপ তোপ্পা অমনি। অসিনা মরম ওইরগনি, ঐগী মথোৎ-কারক' মতমগী মঙলান'-তাইবঙ অয়াম্বা বেঙ্গোলিদগী হন্দোকপা, মীতৈলোন্দা ইবা উপন্যাসশিংগী ক্যারেক্টরশিং নৎত্রগা হিন্দী ফিল্মগী হিরোইনশিংনা কন্দুনা লৈখিবা। হায়-স্কুল পুন্সি লোইরদুনা কোলেজগী তেল্লবা পুন্সি অদুদা থেংনরকখিবা নুপা-নুপী-কো-এদ্যুকেসন-সিষ্টম অদুনসু রোমান্তিক-ড্রিমস মথৌ শঙবা নত্তনা কনাগুম্বী অমত্তগা হকচাং-হকচাং চিপক্লনা চীনচূপ্পবগী এক্সপরিয়েন্স অদুদি ফংলকখিদে। অনৌবা চহী থুংলবা, ন্যু য়র মতমদা তরাম্না ওকপগী 'গ্রীটিং-কার্দ' নুংশিবী মঙোন্দা পীননবা খনবদা 'করম্বা ৱারোল' না ঐগী থম্মোয় ইহুল খ্বাইদই হেন্না চূনবগে য়েংখি। ... 'আই হেব নোৎ স্লেপ্তু ফোর ফিয়র আই ৰুদ ৰেক তু ফাইন্দ ওল দিস বট এ ড্রিম' ... মতমদুদা থম্মোয়সিদা য়ৈখিবা ৱাহৈ পরেং অমনি।

'জেক্কলিন সুসেন'না ইবা 'দোলোর্স' হায়বা নোভেল অদু পারুবদা নোংচুপলোমগী ইনখৎলক্লিবী লৈশাবীশিংগী রোমান্তিক লাইফকী অঙকপা শক্লোন অমা উরকখি। নুপীমচা অমগী অহানবা সেক্সুঅল এক্সপরিয়েন্স অদু অপোকপা মপাগা শানবা ৱারীগী সবজেক্ট অমা ওইহনবা-ৱাখলসিনা লামশিনবা ঙম্লরোইদবা রিঅলিটি অমনি। লমদমসিদা কনাসু ঙম্নি থাজদে।

ফনা কুইরে, চহী কুনমরি-মঙা শুরম্লগনি 'রিদর্স দাইজেষ্ট' মেগাজিন্দা আর্টিকল অমা পাখি। অইবদুদি কাউখরে, টাইটলদুদি নীংশিংলি - 'দান্সিং ইন দ দার্ক' (অমম্বদা জগোয় শাবা)। ৱারেং অদু অমেরিকাগী স্কুলশিংদা ইনখৎলকপা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা, মখোয়গী দান্স অমসুং ম্যুজিক টিচরশিংগী মতেংদগী, মাগী মাগী থম্মোয়বু কাইহৌরিবা মহাক্কা মপাং ওইদুনা স্কুলগী জিম্নাসিয়ম মনুংদা মুশি মুশিবা মৈঙালদা হকচাং অনী চিপক্লনা জগোয় শামিন্নবগী থম্মোয়-ঈরাং হৌহনবা, পুন্সিগী অহানবা মীকূপশিংদু শৈথাবনি। কল্লবা, শান্নবগী খূৎশু-খূৎলায়, বেট-হেন্দল পায়বতদা হৈরবা খূৎশাশিং অদুনা থম্মোয় হুনা ফজরবা, নীংথিবী মাগী চেংলবা খ্বাংগী থোৎলবা হকচাংদুদা শোক্লুবা মীকূপ্তুদা হকচাং পূন্বা তুজুংখিবা .... অদুসু, ঈশৈ অমা লোইরগা অতোপ্পা ঈশৈ অমা হোংবা খুদিং, পার্টনর অমমম হোংদুনা ... হৈ শিংলবা অইবদুগী ৱাহৈশিং অদুননি, অমুক্তসু থেংনরকখিদ্রবা এক্সপরিয়েন্স অদু ইশামক্তা থোকখিবগুম, অদুঙৈগী চান্নবী, ঐগী ওইবা ফংখিদ্রবীদুগা জগোয় শামিন্নখিবগুম তগৎ-তগৎ তেকপা নীংশিং-শক্তম ওইনা মীৎমাঙসিদা চোংথোকহল্লিবা। খনখি-মতমদুগী নুপামচা-নুপীমচাশিংগীদমক্তি 'হায় স্কুল- নুংশি-নুংঙন-ঈরাং হৌহনবা, রোমান্তিক-ম্যুজিক'না নিল্লবা 'বোলরুম-দান্স-থিয়েটর' তঙাইফদবা অমা ওইরবা, 'কো-এদ্যুকেসনেল পেরেদাইজ' অমা শোয়দনমক্কী ওইরমগনি। অইবদু ঐহাক্কুম্বা অমা শোয়দনমক্কী ওইরমগনি, 'নখোয় কনা কনা জগোয় শাবা হৈ, অহৈবশিং নখূৎ থাঙ্গৎলু' হায়না ম্যুজিক টিচরদুনা লাউথোরকপদা মখূৎ থাঙ্গৎখিদে হায়, 'হৈত্রিবশিং, হয়েং নুংথিল দান্স-টিচর-মেদামগী নাক্তা রিপোর্ট তৌগদবনি'...।

দান্স-টিচরগী মনাক্তা চৎলগা রিপোর্ট তৌরুবা, মহাক্কী 'ড্রিম-গর্ল' ওইরম্বীদুগা লোয়ননা জগোয় শামিন্নখিবা, মঙদুনা অচুম্বা ওইরকপদা দান্স-টিচরদুগী থৌদাং ... শৈথাদুনা ইখিবা অইবগী ৱাহৈশিংদু মীৎমাঙসিদা জগোয় শারকই ... 'বোয়জ! ... ঐনা ৱান, টু, থ্রী, ফোর কাউন্ট তৌরকপদা নুপীমচা অমগী নাক্তা চঙশিন্দুনা জগোয় শামিন্নসি হৌগদবনি ... নখূৎ য়েত্তুনা মাগী খ্বাং মপাদা থল্লগা ওইথংবা খূৎতু পাম্বোম ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা তুমা শুবা মশীং খুদিংগী খোঙ্কাপ অমা মাঙলোমদা, তুমা শুদবা মশীং খুদিংগী খোঙ্কাপ অমা তুংলোমদা হন্দোক্কদবনি ম্যুজিকসিগী তান্থাদা... মখ্বাংদা থল্লিবা খূৎতুনা হকচাংদু চিপক্লনা চিংশিনবা ঙম্লিবমখৈ জগোয়সিগী ফজবা হেনগনি' ...। দান্স-টিচর, লজা নুপীদুগী য়াথংদা শাখিবা জগোয় ... পামজবা মহাক অদুগা পুংবা ওইনা তারক্তুনা, মহাক্কী খূৎ অমদি মখ্বাংদুদা শোক্লুবা মীকুপ্তুদা মথম্মোয়দা হৌখিবা মথুম-মরাঙ ... অইবদুনা হায়, চপ চানা ফোঙদোক্লবা মাগী ৱাহৈ থিবা ফংদে।

নীংশিং-নীংশিং তমজরিবা পাউদমসি, তমজরিবা ঐঙোন্দসু পাবীরিবা অদোমদসু তায়ওন্ননা থোক্কদবা পাউ অমনি খঙনা তমজরিবনি। মরম অমখক্কীনি। 'নুংশিবা' হায়বা থম্মোয়-ইহুল অদুদি মালেমগী মীওইবা খুদিংমক্তা মান্নরবসু মফোঙদোক্তি মান্নদে। নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা চৎনরিবা চৎনবী ঐখোয়দা মরিং-মরাংবগুম, ঐখোয়গী চৎনবী মখোয়দসু মরিং-মরাংগনি। দান্স অমদি ম্যুজিক ক্লাস, নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী স্কুলশিংদা তঙাইফদবা অমা ওইহল্লকপা ঙসি ঙরাংতদগী নত্তে। মখোয়গী পর্পজ তোঙাল্লি। ইন্দিয়ন এদ্যুকেসন সিষ্টম অসিগী মনুং চন্না, দান্স-ম্যুজিক-আর্ট হাপচিন্নবা হোৎনরক্লিবা ঙরাং-নহানখক্তদগী নত্তে, হয়েং-হংচিৎসু ওইথোক্লোই, ৱাখল-খূৎখন মান্নদে। 'সেক্স-এদ্যুকেসন' স্কুল-করিকুল্লমদা হাপচিনগনি হোৎনরিবসিগা পাংখক্নি। ন্যু এদ্যুকেসন পোলিসি- মোদিনা লাউথোকখিবদু চৎনবা হৌর' মতুংদদি অহোংবা খরা লাক্কদ্রা? হৌজিক - হোরেন খঙখিরোই। ম্যুজিক কোলেজ/দান্স কোলেজ/আর্ট কোলেজদা চৎলিবা প্রোফেসনেল ওইবা আর্টিষ্টশিংগী ৱারী নত্তে লীগে খঞ্জরুবসু। পুন্সি মশক খঙননবা হোৎনবদা চঙশিন্নরিবা এপ্রোচ'তুগী ৱারীনি।

ঐখোয় খুন্নাইসিদসু অদুঙৈদা লৈরম্মী - যূম্বান পুন্সি মমাঙদা নুপা-নুপী শকখঙনবা মিনিয়েচর-ইন্সটিট্যুসন - লৈশা ফান - পাখঙ ফান'। অচৌবা কম্যুনিতি ওইরকঙৈদগী মূখৎখ্রবসু মাইনোরিটি ওইনা লৈরিবা কম্যুনিতিগী খুল মচা মচাশিংদদি ঙসি ফাওবা ইন্সটিট্যুসন অদু মূত্তরি। কুইদ্রি, চহী তরামরি মঙাগী মমাঙদা 'ৰিলোং' খুন্দা খোঙচৎ অমা চৎলুঙৈ, লৈশা ফালগী লৈশাশিংনা শকপা নুংঙনবা ঈশৈ অমা তারকখি। ঈশৈদুগী ৱারু অমদি ৱাহন্থোক হংলুবদা খঙলকখি - ঈশৈদু অচম্বা নৎলমদে। পুৱারী অমগা ঈরোইনরম্মী। হল্লক্লগা, ৱারী অমা শাগৎখি, হৈনজবা দ্রামা ফোর্মেট'তা। ৱারী অদু লীথোক্লুই মরুপ মপাং খরদা। ঐনা ইকায়খুম্নজবা গুরু অমনা থিংখি 'দ্রামা অদু ইরুনু, লৈবাক ৱাথোক ওইগনি'। গুরুদুবু ইকায়খুম্নজদুনা, থম্মোয় ইহুল নমথখি- 'ঐগী য়াইফনবা, ফননবা খনবা ওইরিনি'।

লৈশা ফাল - পাখঙ ফাল' গী ইন্সটিট্যুসন মূৎখ্র'তুংদসু হৌদোক্লম্মী - লৈশা লৈবা ইমুংদা পাখঙনা কোয়বা চৎপগী, লৈশানা খুদোং হানবই চৎনবী... লীকোন কৌবা মশান্না, পাখঙ লৈশা অনীনা, থম্মোয়-য়াৱা ফোঙদোক্লদুনা পুন্সি পুংবা খন্নবগী তাঞ্জা পীবা চৎনবী'...।

ঙসিদি, লৈঙাক ওথোরিটিনা ত্রেদিসনেল ভেল্যু তুংওইনখ্রবদা, পাখঙ-লৈশা অনীনা থম্মোয় লান্থোক্লবগী পান্বে ওইনা শেন্লম্মি - মোবাইল ফোন অমদি ইন্টরনেট।

*-সোইবমচা ইন্দ্রকুমার*

---

**ৱারী ককনাউ**

# নুংশি ময়োম

ঐখোয় লৈকায়দা দা জিনেশ কৌবা ইয়াম্বা অমা লৈ। মশা নানখ্রজাৎনি। মশকসু ফজৈ। কোট অমগা লিৎলগা ইংলিসকী পাউচে অমগা পায়রগা বস পার্কিংদগী ময়ূম ফাওবা লাকপসিদি, ওফিসর লাইরিক হৈবা অমনা খোঙনা চৎলম্বগা চপ মান্নবীনি। মানা পায়রিবা ইংলিসকী পাউচেদু অমুক লৈখ্রগা হাপ্তা অমা হেন্না চৎলি। ফজনা চেকশিন্না পায়খ্রজাৎনি। তৌবতবু মানা পায়রিবা ইংলিসকী পাউচেদু মাদি পাবা হৈবা নত্তে। মরমদি মহাক মেত্রিক্তা হন্না হন্না থাবদা মায় পাকখিদ্রে। দা জিনেশ চহী ৪০ হায়রক্কদৌরে। মশাদা নুপী কোয়নীংবগী মমি তাবা নত্তনা কোয়বগী মমীদি অমত্তা তাদে। মপানা থনম্বা লন কায় কায়দুনা শীজিন্নৈ। অৱাৎপা লৈতে, ৱাৎলিবা হায়বু মাগা পান্ননবা নুপী মঙায়রে। দা জিনেশ অৱাৎপদু মেনশিন্নবা ফনা কন্না হোৎনৈ। অদুবু অঙ্কল খরা কৌরক, পাবুং খরা কৌরক ফরক অমা ইতা তাদুনা লৈরিবনি।

অদুবু মমাঙগী বসন্ত য়াওশঙদুদি দা জিনিশকীদি বসন্ত মপং-মপং হায়দুগা চপ মান্নখ্রে। শুংথা থাজদনা চহী ৩৩শুরবী মেমথোইবী কৌবী অমা থেংনবদগী খঙনরে। ময়াম চঙদনা শেম্বা হায়দুনি। প্রোগ্রাম ফনা য়াম্না চৎলে। তোয়না উনরে। লমচাক চাবা চৎপসু অনীরক শুরে। ময়াম ৱা-ৱা নোক্তুনা চামিন্নৈ। মদুগী অচংবা মখৈদি দা জিনেশনা পুথোকচৈ। মদুদা মহাক পেঙ্গরিবনি। শেলদি তিংখৈ তিংজসনু, মাগী অনীংবা অপাম্বা হায়দি মাগী পুন্সিদা হাঙলিবা মফম অসিমতবু মেনশিনবীরদি লোইরে হায়দনা অখাকপা অমত্তা হেক লৈতখৈ শৎপনি। ফনা য়াম্মে মানা শৎলিসি, মেমথোইবীগী হাক্তক্তা শৎপসি। হন্দক্তি য়াম্না হরাউ মথোই কারে দা জিনেশ। মেমথোইবীগী নিংথমথা চঙলকপদা ফিজোল লোয়না হোংবী, অতাঙ অতাঙবনা খুজিং ওইরগা। মেমথোইবীগীদা নত্তে। পাউ পুথোক পুশিন তৌবীরিবা মাগা তিন্নবা নহা অনী অহুমদুগীসু য়াওনা ফিজোল হোংবীবনি। মমাঙগী ইঙেন থাদো অদুদা মতম থানবনি। অদুবু কোরোনানা মরম ওইরগা য়েথোকখিবদগী হৌজিক অমুক তূমিন লৈনরি। অদুবু নুংশিবা ময়োম-ময়োম ফাক্তুনা হৈথরি মেমথোইবীগী থম্মোয়দা। লোকদাউন মতুংদগীদি ফনা কুইনা উনদবদুনা থা অহুম/মরিমুকসি ফোন্দা নত্তনা শক্কা-শক্কা উনখিদ্রে। হন্দক থা অমা/অনীসিদা মেমথোইবীদু পাউ ফাওনবদগী খরা অমুক উনৈ। হান্নগা ইমান মান্নদে। কুইনা উনবা ফংদে। লাপ্না চৎসি য়াদে।

নহানদি মাগী নহা ময়ামদুনা শীনবীদুনা মেমথোইবীগা চীংয়াগী লমহাং অমদা উনৈ। নহাশিংদুনা সিক্যুরিটি ওইরগা মখোয় অনী পুঙ্খায়মুক ৱারী শানৈ।

"দা জিনেশ ঐ নঙবুদি য়াম্না নুংশিবনি"

"খঙইদা ঐসু, ঐনসু য়াম্না নুংশি। অদুনবু নঙনা হেক হায়রিখৈ ঐনা য়ারিসিনি"

"অদো ঐ ৱা অমদি হায়নীংবনি, হায়বা ঙমদদুনা লৈরে"

"করি ৱানো হায়য়ু কৈনো? ওহ! খঙঙে খঙঙে নঙনা নহান থামুক্কী মমাঙদা হায়বা আই-ফোন হায়দু নৎত্রা? অদু লৈরক্লবনি, কাউবু কাউই। হৌজিক য়াওরি (ফুরিৎখাওদগী লৌথোক্লবা) সে সে পাম্ব্রা য়েংঙু। মমলবু তাঙখ্রেদা"

"হায়মা দা জিনেশ সিমসু ঐগীদমক লৈবিরক্লবা? ফরেনে ঐগী পোৎপাং ওইবা তারেদনা"

মেমথোইবীনা ফোনদু তাপ লাউনা লৌশিল্লগা হায়রপ য়েংলগা মাগী বেগতা হাপচিল্লগা হায়রকই।

"থেঙ্ক য়ু দা জিনেশ"

দা জিনেশতি ৱা অমত্তা হায়খিদ্রে। মেমথোইবীনা *পোৎপাং ওইবা তারেদনা* হায়বদুদগী মশাদু চেঙ খৈবগুম নিকখিবদগী হন্থরকউ য়াখিদ্রে।

"দা জিনেশ, ঐসু ঐনা হায়গে খনবা ৱাদু হায়রগেকো"

"উম হায়য়ু"

"দা জিনেশনা ঐবু নুংশিবীবসি ঐ লোইনা খঙজে, পুন্সিদা কাউবসু ঙম্লরোই"

"হোয়নে"

"অদো দা জিনেশ ঐ ফাইরেনগী ১২নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা লুহোংবা তারে, মমাঙঙৈ ঐগসু কাবক-কাবক খঙনখিবনি, কুইখ্রে উনখিদবা চহী তরামুক শুখ্রবনি, ঐদি মা ময়ূমগা পাল্লম্মগদ্রা হায়না খল্লুবনি। অদুবু মাদি মপান্দা থবক অমা তৌরগা লৈরম্মে। হন্দক্তা থোরক্লগা অহল লমনশিং থারক্তুনা হায়বনি। দা জিনেশসু ঐগী লুহোংবসি শোয়দনা লাকপীয়ুকো। ঐ ইনভিটেসনসু য়ৌহল্লক্কে, অদুগী মথক্তা ঐগী ইচিনসিনসু হায়জরিসিনি"

দা জিনেশ লেপ্না লেপ্না মমিৎতু তন্দন ময়াম অমা পাইরকই। মকোক্তা ফুং লাউবা অমখক লৱাই লেম্ফুদা য়ৈখি।

"দা জিনেশ ঐ চৎলগেকো। ঙসিনা অরোইবা উনবা ওইরসি" মেমথোইবী চৎখ্রে। দা জিনেশকা লাকমিন্নবশিংদু ইঙক ঙক্লা লৈরিঙৈদা জিনেশ লেপ্লম্বদগী তপ্না তপ্না ফমথরক্লগা লৈমায়দা তুথখি। নহা অনীদু চেনশিল্লক্লগা য়েংই। দা জিনেশ মমিৎ মনা ঙোরোং-ঙোরোং ওনখৎলগা য়ুংনা পাং লৈরম্মী। নহাশিংদুনা ঈশিং থাদুনা কৌই।

"দা জিনেশ দা জিনেশ..."

"হৌজিক ঐনা পিখিবা আই-ফোনদুদি নুংশি ময়োম তারেনে"

নহা অনীদু য়েংনৈ অদুগা লাপ্না চৎখ্রিবা মেমথোইবীদা য়েংই। মেমথোইবীদি মনিংদু থেক-থেক্তুনা কেটৱাক চৎপগী টাইপ্তা চৎখি।

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

---


## / NOTICE INVITING TENDER

Sekmai, the 24th December 2020

No. 7/1/2018-SNP: Sealed bids in prescribed format are invited from interested eligible parties (NGOs/ SHGs/Clubs/social organizations registered under Manipur Societies Registration Act 1989 and having head office only within Sekmai Nagar Panchayat jurisdiction) for selection of Toll Tax agent of this office. The detailed tender notice and bid documents can be purchased from this office on cash payment of Rs. I,500/-(Rupees One Thousand Five Hundred) only on all working days during office hours from 26th December 2020 to 30th December 2020.

Sd/- **Executive Officer**
Sekmai Nagar Panchayat

HL-P/8352/27

## / NOTICE

26/12/2020

**LIONS CLUB OF IMPHAL LOTTERY**

The Fund Raising Campaign for the Lionistic Year 2019-20 of Lions Club of Imphal could not be performed as per the earlier shedule due to the drastic effect of the pandemic, (COVID-19). We apologize to our samaritans for the inconveniences caused. Lions Lottery will be held as per standing SOP.

The "Bumper Housie Draw" which was scheduled earlier will now be conducted following the serial number of the "Bumper Housie" Tickets.

The prizes are as follows:-

1. **First Prize - Rs. 1,30,000.00**
2. **2nd Prize - Rs. 50,000.00**
3. **3rd Prize - Rs. 20,000.00**

Date of Lottery draw : 31st December, 2020
Venue : Service Centre, Lions Club of Imphal Sangaiprou, Airport Road, Imphal.
Time : 10.00 a.m.

Sd/- **Lion A. Basantakumar Singh**
Convenor, Lions Club of Imphal.

HL-P/8349/27

## তরাম্না ওকচবা অমদি পূক্নিং থৌগৎচবা



য়াইস্কুল শিন্দমশঙ, রিসার্ছ এন্দ ট্রেনিং সেন্টর ইন মণিপুরী ট্রেদিসনেল মার্সিএল আর্ট, উরিপোক সোর্বোন থিঙেল ইম্ফালগী মহৈরোয় অমসু ওইরিবী মঙাংচা মুতুম অরুনকুমার মীতৈগী মচা ইবেম্মা, **মঙাংচা মুতুম য়াইফবী** উরিপোক সোর্বোন থিঙেলদা লৈরিবীনা, হন্দক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌখিবা অরোয়বা এগজামদা M.Sc. Biochemistry 2020 সবজেক্ট অসিদা ফর্ষ্ট তাদুনা **'গভর্ণর গোল্ড মেদল অমদি কাংজম ওংবী নুংশিসনা মেমোরিয়েল গোল্ড মেদল'** পীবীরকপদা শিন্দমশঙ অসিগী মায়কৈদগী তরাম্না ওকচরি অমদি শিন্দমশঙ অসিগী ওইনসু মিংচৎ পুরকপগীদমক চাওথোকচরি।

মহাক্কী তুংগী পূন্সিদা অহেনবা, মতীক-মঙান লৈবা, মীথোই-মীহেনবা মহৈরোয় ওইরক্নবা তাইবঙ শেম্বা মপূগী মফমদসু খুরুমজরি।

**থাগৎচরিবা : গেগরিন ইরোম**
**জোইন্ট সেক্রেটরি, য়াইহুল শিন্দমশঙ,**
**রিসার্ছ এন্দ ট্রেনিং সেন্টর ইন মণিপুরী ট্রেদিসনেল মার্সিএল আর্ট**

HL-P/8348/27

## / শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নম :



তাইবঙপান্দা ঐখোয় খ্বাইবু নুংশিনা কোনবীরম্বা **খাইদেম ইঙোচা (পাবুংচা)সিংহ** - না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, মচিন-মনাও, মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ, নুংশিরবা মরুপ-মপিজা খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ১৮/১২/২০২০ ইং, পোইনুংগী ৪নি পানবা ইরাই নুমীৎতা শ্রী গুরুগী থৌজালদগী তাইবঙপালগী চৎনবী থাদোক্তুনা শ্রী কৃষ্ণ চন্দ্রাস চৈত্যন দাস হায়বা নাম ফংজদুনা ঈশ্বরগী খূয়াদা চঙজখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২৩/১২/২০২০ ইং, পোইনুগী ৯নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা (অস্থি) লৌখৎচরগা, তাং ৩১/১২/২০২০ ইং, পোইনুগী ১৬নি পানবা শগোলশেল নুমীৎতা শ্রাদ্ধ নুমীৎ থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্তনগা লোয়ননা শ্রীশ্রী ত্রিনপ্রভু অমসুং শ্রীশ্রীগোপালদেবগী চরন্দা কৎচগদৌরি। থৌরম অসিদা ব্রক্ষ্মন-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম তাবীরনবা পাউচেগী খূথাংদা নিমন্ত্রণ কচ্চরি। পাউচেগী খূথাংদা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অশোই-অরান খিবিক ঙাকপীগনি।

**সেবা ফংজরিবা ঃ-**
**খাইদেম ওংবী আর. কে. বিমোলা দেবী (দহধর্ম্মীনি)**

**থৌরম পরেং :-**
**ভেক কৎপা : অয়ূক পুং ৮.০০**
**সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা : অয়ূক পুং ০৯.০০**
**অয়ূক্কী পুংফমদা থৌরম লোইশিঙ্গগনি।**

HL-B/6539/18

**উরিপোক খাইদেম লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্ট।**

## / লৌ শঙম অনী য়োঞ্জরি

ইম্ফাল ৱেষ্ট থারোইজম হেভন গার্দেনগী নোংচুপ্তা চৎপা হাওরং ফাওনবা লম্বীগা তাইনবা, লম্বীগী মমাংদা লৌ শঙম অনী অথুবদা য়োঞ্জরি। ফার্ম হাউস, ষ্টোন ক্রশরনচিংবা তৌবদা মফম য়াম্না চাগনি। অহানবা লাকপা মীদা খূদোংচাবা পীজগনি।

HL-B/6644/25,27,29

**# 8732022342**

## / CONDOLENCE



The Artistes and Members of the Paradise Theatre, Imphal, Manipur deeply condole the sudden demise of (L) Shri Sapam Momon Singh, the former Secretary of the group in a condolence meeting held on December 25, 2020 at 5.00 p.m. at its premises. The member remembers his contribution and advise in shaping and develope the Paradise Theatre in the long 58 (Fifty eight) years journey. His valuable suggestion as well as advice will always guide the group forever in future also. His love and concern in the development of Manipuri culture were remembered.

Further, the Artistes and Member shares the agony of the family. Let his soul rest in peace forever in heaven.

HL-P/8350/27

Sd/- **Secretary, Paradise Theatre, Imphal**

## / লান্ন-থৌরম

মালেম তাইবংপানসিদা ঐখোয় খ্বায়বু কোনবীরম্বা **অহোংশাংবম ইবোহনবী মৈতৈ** - না হৌখিবা চৈচৎ ১৯-১২-২০২০ কুমজা, পোইনুগী ০৫নি পানবা থাংজ কোরৌদা তাইবং মপূগী শিন্থা লোয়রদুনা মপূগী লৈকান্দা লৈরাং লৈনম ওইনা তিঞ্জখ্রে।

লাক্লিবা চৈচৎ ২৩-১২-২০২০ কুমজা, পোইনুগী ০৯নি পানবা য়ুমশকৈশা কোরৌদা মঙানি লৈহুন তমজরগা, চৈচৎ ২৯-১২-২০২০ কুমজা, পোইনুগী ১৪নি পানবা লৈবাকপোকপা কোরৌদা লান্ন-থৌরম নুমীৎ থোক্লে। নুমীৎ অসিদা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং তাইবং মপূদা কচ্চবগা লোয়ননা মপূগী মিঙ্খৈ শকচ-শোঞ্জগনি।

থৌরম অসিদা অহল-লমন, মরুপ-মপাংশিংনা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা মপূগী মিঙ্খৈ তাবীরনবা পাউচেগী থোঙদা লৈরাং-লৈহুৎ শিন্না পাউজেঞ্জরি। পাউচেগী থোঙদা লৈরাং-লৈহুৎ শিন্না পাউজেঞ্জবগী অয়োন-অরান খিবিক ঙাকপীগনি।

*সেবা ফংজরিবশিং :*

**থৌরম পরেং :**
অয়ূক পুং ৮:০০ - মপূগী মিঙ্খৈ শকচ-শোঞ্জবা হৌবা
অয়ূক পুং ১১:০০ - লুক্লেন ফংবা

১। য়াংলেম ওংবী মেমথোইবী (মচানুপী)
২। অহোংশাংবম চন্দ্রলেখা (মচানুপী)
৩। অহোংশাংবম দেবলা (মচানুপী)
৪। নাওরেম ওংবী শৈত্যাভামা (মচানুপী)

HL-P/8341/26,27,28

**অৱাং পোৎশঙবম খুল্লেন ময়াই লৈকাই।**

## OFFICE OF THE
# MANIPUR TIMES IMPHAL

**Govt. Regd., Sangakpham Bazar Near SBI ATM, Imphal.**

| Sl. | Name of Post | Qualification | Sex | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Bank Dy. Manager | Graduate/ P.Graduate | M/F | ₹ 38000-78000 |
| 2. | Bank Clerk, Cash Officer | Any Graduate | M/F | ₹ 24000-66000 |
| 3. | Bank Staff, PBO, AO | 10+2 / Graudate | M/F | ₹ 16000-38000 |
| 4. | Airport Ground Staff | 10th/10+2 | M/F | ₹ 18000-47000 |
| 5. | Airport CSA, GSO | 10+2/BA | M/F | ₹ 23000-58000 |
| 6. | Airport Ticketing, VIP Checking | 10+2/Graduate | | ₹ 28000-66000 |

Last date form submission : 30th December 2020 (online)
Date of examination/Interview : 31st December (online)
Sl.No. 1,2,3 Posting at : Imphal & other district, Guwahati
Sl.No. 4,5,6 Posting at : Imphal, Guwahati, Delhi, Chennai etc.
**Contact : 9077612178 Resume/Biodata Sent at : 7627931722**

HL-P/8358/27&28

## / লায়েংজরি — UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

*উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং*

**(অঙৌবা পকপা)**
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খূৎ শিথবা, মশল পাবা, খূৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

*নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু*

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.**

HL-B/6498/03/11-02/12

## ADMISSION OPEN
# ENGLISH & RHYMES COURSES

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
  [Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

**SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)**

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/6604/11/12-8/01 (alt)

## ADMISSIONS OPEN FOR THE ACADEMIC YEAR 2020-21

**HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW!!!**

STUDY IN BANGALORE BEST COLLEGES FOR MANIPURI STUDENTS

**COURSES OFFERED**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| MBBS | B.PHARM | BE | BCA | BSc NURSING |
| BDS | M.PHARM | MBA | BBA | BSc, MSc NUTRI |
| BAMS | PHARMA.D | MCA | BCOM | PBBSc NURSING |
| BHMS | D.PHARM | BHM | MCOM | MSc NURSING |
| BMLT | BPT, MPT | GNM | LLB | M.TECH..etc. |

OFFICE TIME: 8AM TO 4PM
CONTACT US: 8310788408, 9035374340, 7005156406
SAGOLBAND MEINO LEIRAK, IMPHAL.

HL-P/8183/5/12-4/01